# যুএসনা রিয়ার্দপু চৈরিঙৈ মরক্তা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা সাউদি অরাবিয়া খোঙচৎ হৌখ্রে



রিয়ার্দ, দিসেম্বর ৮ (এজেন্সী): হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দকা মরী লৈননা যুএসনা রিয়ার্দপু কন্না চৈরিঙৈ অমসুং রিয়ার্দনা মতম শাংনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা লৈনরক্লিবা পার্টনরশিপকী মরীদগী হেন্না গ্লোবেল এল্লায়ন্সশিং হেন্না পাকথোক চাওথোক্লবা হোৎনরক্লিঙৈ মরক্তা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সাউদি অরাবিয়াগী খোঙচৎ হৌখ্রে।

বৈজিংনা খোঙচৎ অদুবু আরব ৱার্ল্ডগা মরী লৈনবা চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা দিপ্লোমেটিক ইনিসিএটিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রিয়ার্দকী হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দ অমসুং নবেম্বরগী মিদ টার্মইলেক্সনগী মাঙওইননা থাউজী পোত্থোক কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎখিববু যুএসনা কন্না য়ানিংদবা উৎলকপদগী ৱাশিংতন অমদি রিয়ার্দকী মরী শোকচিল্লক্লিঙৈ মরক্তা গ্লোবেল ইকনোমিক পৱার হাউস ওইরবা চাইনাগী লুচিংবা অসিগা গল্ফকী ইনর্জি জাইন্ট সাউদি অরাবিয়াগী লুচিংবশিংগী মরক্তা উন্নদুনা হিরম কয়াদা ৱারী শান্নবগী খোঙথাং অসি লাকপনি।

হ্বাইট হাউসনা হায়রি, মদুদি সি জিনপিংগী খোঙচৎ অদু চাইনানা লমদম কয়াদা ইথিল পীনবা হোৎনরকপদগী খুদম চাংদমনি। মদুনা মিদ্দল ইষ্টকা মরী লৈনবা যুএসকী পোলিসিদা অহোংবা লাকহনবা ঙম্লোই। হ্বাইট হাউসকী নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্স পার্সন জোন কির্বিনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি চাইনানা মালেম পুম্বদা ইথিল হেন্না পীননবা হোৎনরক্লিবসি ঐখোয়না খঙই। মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইনর্জি কঞ্জুমর ওইরবা অসি গল্ফকী থাউ অমসুং গ্যাস প্রদ্যুসরশিংগী মরু ওইবা ট্রেদ পার্টনরনি। লমদম অসিগী লৈবাকশিংনা শেল থুমগী থবক থৌরমশিংদা অহোংবা কয়া লাকহন্নবা কন্না হোৎনরকপগা লোয়ননা বাই লেটরেল মরীশিং হেন্না পাকথোক চাওথোরকখি। মসিনা গল্ফকী মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা চাইনাগী খুৎ চঙলকপা হেনগৎলক্লে হায়না যুএসনা নুংনাংবা উৎপা হৌরক্লি।

সাউদি অরাবিয়াগী ইনর্জি মিনিষ্টর অব্দুল অজিস বিন সলমাননা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা হায়খি, রিয়ার্দ অসি মখা তানা বৈজিংগী খ্বাইদগী থাজনিংঙাই ওইবা ইনর্জি পার্টনর অমা ওইনা লৈগনি অমসুং কিংদম অসিদা চাইনাগী ফেক্তরিশিংগী ওইবা রিজনেল সেন্টর অমা লিংদুনা ইনর্জি সপ্লাই চেনশিংগী লমদা লৈবাক অনীগী কো ওপরেসন হেনগৎহল্লগনি।


পনবা য়াবদি, সাউদি অরাবিয়া অসি চাইনাগী টোপ ওইল সপ্লায়রনি অমসুং সি জিনপিংগী খোঙচৎ অসি নোংচুপলোমগী পৱারশিংনা রসিয়াগী থাউগী মমলদা পনখৈ অমা লাউথোকখিবা মতুংদা ইনর্জি মার্কেটশিংদা করি ফিভম লাক্কদগে হায়বগী মীপায়নবা লৈরিঙৈ মরক্তা পাঙথোক্লিবনি। রসিয়ানা অতাবা মমলদা চাইনাদা থাউ য়োনবগী চাংসু হেনগৎলকখি।

গ্রিন ইনর্জি, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, ক্লাউদ সার্ভিসেস, ট্রান্সপোর্ট, কন্সট্রক্সন অমসুং অতৈ সেক্তরশিংদা ইনভেষ্ট তৌনবগীদমক্তা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা চাইনা অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী ফার্মশিংনা দিল ৩৪ খুৎয়েক পীনখি হায়না সাউদি ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি (এসপিএ) গী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা দিলশিং অদুগী ভেল্যু পন্দ্রবসু লৈবাক অনীনা দোল্লর বিলিয়ন ৩০ গী ওইগদবা এগ্রিমেন্টশিং খুৎয়েক পীনরগনি হায়না মমাঙদা লাউথোকখ্রবনি। সি জিনপিংবু কিংদম অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর রিয়ার্দকী গভর্ণর অমসুং সোভরেন্ট ৱেল ফন্দ পিআই এলগী গভর্ণরনা ওকখি।

ইস্লামগী হৌরকফম ওইরিবা সাউদি অরাবিয়ানা সিনয়াংদা চৎনহল্লিবা চাইনাগী পোলিসিশিং সপোর্ট তৌরিবনি। যুএননা ফাওবদা লমদম অদুদা উইগুরশিং অমসুং অতৈ মুস্লিমশিংগী মরক্তা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চৎখৈ হায়না চাইনাবু মরাল শীরিবনি।

# 'ন্যুক্লিয়র লান থোক্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লি মোস্কোনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় হান্না শীজিন্নরোই'



মোস্কো, দিসেম্বর ৮ (এজেন্সী): ন্যুক্লিয়র লান অমা থোরকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখ্রে। লৈবাক অসিগী হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙখিবা মহাক্লা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং মহাক্লা দিটরেন্টকী থৌরাং অমা ওইনা উই হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা হায়, ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থম্বা নত্ত্রগা দিপ্লোই তৌবা হায়বসি অতৈ তাথিবা লৈবাকশিংনা শাথিবা খুৎলায় হান্না শীজিন্নরক্তনবগী দিটরেন্ট ফেক্তরনি। মসিনা কনফ্লিক্টশিং হেনগৎহনবদি তৌরোই হায়না ঐখোয়না থাজে। ৱাফম অসিমক মীপুম খুদিংমক্লসু খঙলমগনি হায়না থাজে।

চৈরকসিদা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভকী মেয়রনা করিগুম্বা রসিয়ানা কেপিটেল সিটি অসিদা লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা মখা তানা এয়র ষ্ট্রাইক চথুদুনা লৈরবদি নিংথম থাগী মতমদা মতম অসিদা মাঙ তাকপা অমদি মীশি মীনা চাওনা থোকপগী ফিভম অমা লাক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

রসিয়াগী হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীওইশিংগা চথুখিবা মীফমদা প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়াগী ওইনদি ঐখোয়দা এটেক চথুরকপা তারবদি মদুগী পাউখুম ওইনা ঐখোয়না ষ্ট্রাইক তৌবগী ষ্ট্রেটেজি অমা লৈজে। অদুনা পাক শন্না মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা খুৎলায়শিং মরু ওইনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং অসি খুৎ হনবদা শীজিন্ননবগীদমক্তা দিপ্লোই তৌবনি।

য়ুক্রেনগী লান মতম শাংনা চথুরক্লি হায়বসি য়ারদুনা পুটিননা মহাক্কী লোয়েলিষ্টশিংদা হায়খি, মদুদি রসিয়ন আর্মিনা য়ুক্রেনদা মতম শাংনা লান শোক্লবা য়াই। অদুম ওইনমক হৌজিক্কী লৈরিবা ফিভম অসিদা অনীরকশুবা ওইনা লান্মীশিং লান অসিদা শোক্লনবগীদমক কৌখৎপগী থৌরাংদি লৈতে।

পনবা য়াবদি, স্পিসল মিলিটরি ওপরেসন অমনি হায়রদুনা রসিয়ন ফোর্সশিং চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা য়ুক্রেনদা চঙশিনখিবনি।

য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভকী মেয়র বিটালি ক্লিটস্কোনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন ফোর্সশিংনা মখা তানা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা লেপ্তুনা ষ্ট্রাইক চথবা তারবদি মপুং ফানা মাঙ তাকপা অমদি মীশি মীনা থোকপগী ফিভম অমা উরক্লগনি।

হৌজিক মীয়াম্না শাফগদবা মফমশিং থীদুনা হোংবা নত্ত্রগা লাঞ্জেন্নবগী মথৌ তাররোই। মখোয় অসিগুম্বা ফিভম অমগীদমক্তা ওইনা শেম শাগদবনি। কিভতা পৱার, ঈশিং অমসুং হিট সপ্লাই লেপখিবা য়াই। হোল্লিৱুদ ফিল্মশিংদা উবগুম য়াম্না ইংশিল্লক্লবা মতমদা মৈশা ফঙদবদগী মীয়াম্না য়ুমদা লৈবা হায়বসি ওইথোক্তবা অমা ওইরকপা য়াই হায়রি।

# বি এন পিগা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা মীওই ১ শিখ্রে বি এন পিগী লুচিংবা কয়া ফাখ্রে



ধাকা, দিসেম্বর ৮ (এজেন্সী): বাংলাদেশকী কেপিটেল সিটি ধাকাগী নয়াপল্টন এরিয়াদা বাংলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) গী এক্তিভিষ্টশিং অমসুং পুলিসকীমরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং মীওই ১০০ রোম অশোক অপন নঙখ্রে।

শিখিবা মীওই অদু মোকবুল হুসেন (৩০) কৌবা লম্বী চৎপা মীওই অমনি হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে। ধাকা মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটাল পুলিস আউট পোষ্টকী ইন-চার্জ ইন্সপেক্তর বাচুমিয়ানা হোস্পিটাল অদুদা মীওই অমা শিখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌখি অমদি মীওই অদুগী মশাদা অশোকপা মফম কয়া লৈ হায়না পনখি।

নয়াপল্টন এরিয়াদা পুন্দুনা লৈবা বি এন পিগী মীওইশিং স্বাট টিম্না তান্থোক্লবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখিবনি। দিসেম্বর তরাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রেল্লিগী মাঙওইননা য়ুমশকৈশগী অয়ুক্তগী পার্টি অসিগী লূচিংবশিং অমসুং এক্তিভিষ্টশিং পুনবা হৌখি।

চৈরকসিদা পুলিসনা বি এন পিগী সেনিয়র জোইন্ট সেক্রেটরি রাহুল কবি কিস্বি, পব্লিসিটি সেক্রেটরি সহিদ উদ্দিন চৌধুরি এনি অমসুং স্বেসা সেবক দলগী জেনরেল সেক্রেটরি অব্দুল কাদির বুয়েল জে ইল য়াওনা পার্টি অসিগী লূচিংবা অমদি এক্তিভিষ্ট কয়া দিটেন তৌখ্রে।

পার্টি অসিনা মী চিল্লবা ধাকাগী লম্বীশিংদা রেল্লি পাঙথোকপা য়ারোই হায়না দিএনপিগী দিরেক্তিব শীংনদুনা বি এন পিগী মীওই চা কয়ানা মখোয়গী পার্টিগী হেদ ক্বার্টর্সকী মমাঙদা মখুৎতা বেন্নরশিং পায়রদুনা স্লোগান কয়া লাউদুনা পুনখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা য়ুমশকৈশগী নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা বি এন পিগী মীওইশিং অদুবু তানখায়নবগীদমক টিয়র গ্যাস সেলশিং অমসুং সোর্ট গন পেলেটশিং কাপখি।

অমরোমদা, পার্টিগী এক্তিভিষ্টশিং অমসুং সপোর্টরশিংনা পুলিসতা চেকতেকশিংনা থাজিল্লকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা হংবদা দি এন পিগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর (মোতি জিল জোন গোলাম রহামি) না এজেন্সিদা হায়খি, বি এন পিগী মীওইশিং অদুদা লম্বী থাদোক্লবা হঞ্জিন হঞ্জিননা হায়বদা মখোয়না য়াখিদে। মতুং তাবদা পুলিসনা এক্সন লৌখৎখিবনি।

পুলিস অমদি পার্টিগী এক্তিভিষ্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্ল খিবদু সিটি অসিগী নাইটিঙ্গল ইন্টরসেক্সন য়ৌখি। পুলিসনা বি এনপিগী ওফিস কোর্দন তৌখ্রে। মদুগী মমাঙদা পুলিসনা নয়াপল্টান এরিয়াদা গাড়ী, প্রিজন, ভান অমসুং অহেনবা ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌখি।

# ইরাননা অহানবা ওইনা হন্দক্কী এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টতা চেন্নবা মীওই ১ হাৎখ্রে

টেহরান, দিসেম্বর ৮ (এজেন্সী): হন্দক্তা ইরানদা ইনৌ নৌবা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা হৌখিবা ইরাংগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌরুবা প্রোটেষ্টর অমা হাৎলে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখ্রে।

রিভোলুসনরি কোর্ট অমনা মোসেন সেকারি কৌবা মীওই অদু শেন্বীবা মপুগী মায়োক্তা থবক তৌবগী মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা মঙকশমদা থৌরি থুরগা হাৎখি হায়না ষ্টেট মেদিয়াগী রিপোর্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি।

মহাক সেপ্টেম্বর ২৫ দা কেপিটেল টেহরানগী মরু ওইবা লম্বী অমা থিংজিনখিবা ইরাং হৌবা মীওইনি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মহাক্ল া পেরা মিলিটরি বাসিস ফোর্সকী মীওই অমা থাংনা শোকহনখি হায়নসু মরাল শীখি। এক্তিভিষ্ট অমনা মহাক রিভোলুসনরি কোর্ট অমনা চথুফম থোকপা প্রোসেস অমত্তা চথুদনা পাঙথোকখিবা ট্রাইয়েল অমগী মতুংদা কনভিক্সন পীখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নোর্ৱেদা বেজ তৌবা ইরান হ্যুমেন রাইটসকী দিরেক্তর মহমুদ অমেরি-মোগাদামনা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি মালেমনা ইরানগী ওথোরিটিশিংবু মখোয়না তৌরিবা অরানবা থবকশিং অদুগীদমক য়াম্না থুনা মওং কয়াগী চৈরাকশিং পীদবা তারবদি প্রোটেষ্টরশিংবু নুমিৎ খুদিংগী হাৎপা হৌরক্লগনি। ইরানগী জুদিসরিনা হৌজিক ফাওবদা হৌখিবা সেপ্টেম্বরগী ময়াই চনবা শরুক্তা হৌখিবা প্রোটেষ্টশিং অদুগা মরী লৈননা মীওই ১১ শিবগী চৈরাক পীরে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

মীয়ামগী প্রোটেষ্টশিং অদু মহাসা অমেনি কৌবী মশাগী চহী ২২ শুরবী নুপী অমা মোরেলিটি পুলিসনা দিটেন তৌখিবা মতুংদা মখোয়গী কষ্টদিদা শিখিবদগী থোরকখিবনি। মহাক হিজাব নত্ত্রগা হেদস্কাফ মওং মরিল তানা শীজিন্নদবগীদমক্তা মোরেলিটি পুলিসনা ফাখিবনি।

নুপীশিংনা লূচিংদুনা চথুখিবা প্রোটেষ্টশিং অদু ইরানগী প্রোভিন্স ৩১ গী সিটি ১৬০ দা শন্দোকখি অমসুং কুমজা ১৯৬৯ গী রিভোলুসন মতুংদা মদু ইস্লামিক রিপব্লিক অসিবু খ্বাইদগী চাওনা শীংনবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরি।

তৌইগুম্বসুং ইরানগী লূচিংবশিংনা প্রোটেষ্টশিং অদুবু লৈবাক অসিগী মপানগী য়েক্লবশিংগী থৌইনশিনদগী চথুখিবা রাইওটশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা মখোয়বু অকনবা মওংদা দিল তৌননবা ওর্দর তৌখি।

# রসিয়াগী আর্মদ ফোর্সেস, দ্রোন সপ্লাইদা টার্গেট তৌদুনা ইয়ুনা অনৌবা অথিংবশিং হৌদোকখ্রে



ব্রাসেলস, দিসেম্বর ৮ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না রসিয়াগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবশিংগী পেকেজ অমা প্রপোজ তৌখ্রে। মাপনশুবা পেকেজ অদুনা টার্গেট তৌরিবশিং অদুদা ইন্দিভিজুয়েল অমসুং এন্টিটি ২০০ রোমগা লোয়ননা রসিয়াবু মপানগী দ্রোনশিং শীজিন্নহন্দনবগী অথিংবা কয়াসু য়াওরি।

য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা বোনদেরলিয়ন্না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি হৌজিক ফাওবদা রসিয়াগী মায়োক্তা লাউথোকখিবা অথিংবা কয়াগী পেকেজশিংনা লৈবাক অসিবু খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লহল্লে। তৌইগুম্বসুং কম্মিসন্না রসিয়াদা অহেনবা প্রেসর পীননবগীদমক্তা অনৌবা অথিংবশিং অসি প্রপোজ তৌবনি। মাপনশুবা পেকেজ অদুগী পান্দমদি অথিংবশিংগী লিষ্ট অদুদা অহেনবা ইন্দিভিজুএল অমসুং এন্টিটি ২০০ রোম হাপচিনবা অসিনি। এন্টিটিশিং অদুগী মনুংদা রসিয়ন আর্মদ ফোর্সেস, ইন্দিভিজুএল ওফিসরশিং অমসুং দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিএল কম্পেনিশিং য়াওরি।

রসিয়ন রিজনেল দিভলপমেন্ট বেঙ্কতা ফুল ট্রাঞ্জেক্সন থিংবা য়াওনা অহেনবা রসিয়াগী বেঙ্ক অহুমগী মায়োক্তসু অথিংবশিং থম্নবা পেকেজ অদুনা প্রপোজ তৌরি। মসিগী মথক্তা য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না রসিয়ানা শীজিন্নরকপা য়াবা মরু ওইবা কেমিকেলশিং, নার্ভ এজেন্টশিং, ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং আইটি কম্পোনেন্টশিংগী রেষ্ট্রিক্সনশিং অমসুং অনৌবা এক্সপোর্ট কন্ট্রোলশিং থম্বগী ৱাফমসু য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না প্রপোজ তৌখ্রে।

বোনদেরলিয়ননা হায়খি, মদুদি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না রসিয়াবু দ্রোনশিং অমসুং অনমেন এরিয়ল ভেহিকলশিং শীজিন্নবগী খুদোংচাবা য়ারিমখৈ হন্থহল্লগনি। মসিগীদমক্তা রসিয়াদা দ্রোনগী ইঞ্জিনশিং হকথেংননা এক্সপোর্ট তৌবা অমসুং রসিয়াদা দ্রোনশিং সপ্লাই তৌগদবা ইরানগুম্বা লৈবাকশিংদা এক্সপোর্ট তৌবদসু অথিংবা থম্নবা প্রপোজ তৌরি।

কম্মিসন্না রসিয়াদা ইনৌ নৌনা মাইনিং সেক্তরদা ইনভেষ্ট তৌবদা অথিংবা থম্বা য়াওনা লৈবাক অসিগী ইনর্জি অমসুং মাইনিং সেক্তরগী মায়োক্তা মখা তানা শেল থুমগী অথিংবশিং থম্নবসু প্রপোজ তৌরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

হৌজিক ফাওবদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিন অমসুং মহাক্কী ইন্নর সার্কলগী মীওইশিং য়াওনা রসিয়াগা মরী লৈনবা ইন্দিভিজুএল ১৫০০ অমসুং এন্টিটি ১১৮ হেন্না অথিংবশিং থমখ্রে।

# গাড়ী থৌরগা নোংমৈনা কাপ্লম্বগীদমক ইজরেল্লি মিলিটরিনা পলেষ্টিনিয়ন অমা হাৎখ্রে



রমালা, দিসেম্বর ৮ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্ককী রমালা সিটিগী নোংপোক্তা গাড়ী থৌরগা ইজরেল্লি মিলিটরি পোষ্ট অমদা এটেক তৌখিবা পলেষ্টিনিয়ন অমা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা হাৎখ্রে হায়না ইজরেল্লি অমসুং পলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পলেষ্টিনিয়ন হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মশাগী চহী ৩২ শুরবা মুজাহিট হামর রমালাগী নোংপোক্তা লৈবা সিলৱাট টাউনগা নক্লনা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

সিলৱাট মেয়র রায়িল হমাটনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি হমাটবু অনকপা চীংগী মফম অমদা কোইতান তান্নখিবা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা মহাকপু নোংমৈনা কাপখিবনি।

চৈরকসিদা ইজরেল্লি মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি, মদুদি য়ুমশকৈশগী অঙনবদা হামাটনা গাড়ী অমদা তোংদুনা লাক্লগা রমালাগা নক্লনা লৈরিবা ইজরেল্লি মিলিটরি পোষ্ট অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌখি। এটেক অদুদা অশোক অপন অমত্তা থোকখিদ্রবসু ইজরেল্লি ট্রুপশিংনা অনকপা মফমশিংদা মহাকপু থীবগী ওপরেসন অমা চথুখি।

মহাকপু থীবা অদুদা মহাক লান্মীশিংনা উখি অমসুং মহাক্কী গাড়ী অদুবু তান্নখি। তৌইগুম্বসুং মীওই অসিনা গাড়ীদগী কুমথরক্লগা আর্মিশিংদা নোংমৈ কাপ্লকখি। লান্মীশিংগী মায়কৈদগীসু নোংমৈ কাপ্তুনা এটেক্কর অসিবু হাৎখি হায়না ইজরেল্লি দিফেন্স ফোর্সকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা পল্লদুনা মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি।

হমাটকী মীশি অদুগা মরী লৈননা পলেষ্টিনিয়ন সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিও ক্লিপশিংদা মীওই অমা নোংমৈনা পানবগী মখুল কয়া য়াওবা কার অমগী নাকলদা লৈমায়দা তাবগী শক্তম উখি। ইজরেল্লি মিলিটরিনা টাউনশিং অমসুং সিটিশিংদা নুমিৎ খুদিংগী ৱেইদ চথুবা হেনগৎলকপদগী ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

ওফিসল পলেষ্টিনিয়ন ফিগর্সনা হৌখিবা জনুৱারীদগী ইজরেল্লি লান্মীশিংনা পলেষ্টিনিয়ন ২০০ হেন্না হাৎখ্রে হায়বসি উৎলি। শিরিবশিং অদুগী মনুংদা গাজা ষ্ট্রিপতা শিখিবা মীওই ৫০ য়াওখি। পলেষ্টিনিয়নশিংনা পরিং নাইনা চথুখিবা এটেকশিংদা ইজরেল্লি ২০ হেন্না শিখি।

# এফ ১৬ গী দিল থুনা ফাইনেলাইজ তৌনবা টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা তকশিনখ্রে

অঙ্করা, দিসেম্বর ৮ (এজেন্সী): অঙ্করাদা যুএসকী এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং য়োনবগী দিল য়ারিমখৈ থুনা ফাইনেলাইজ তৌবা মথৌ তাই হায়না টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টর মেপলুদ কাবুসোবলুনা ফোঙদোকখ্রে।

কাবুসোবলুনা ৱাফম অসি মহাক্কী লৈবাক্তা লাক্লিবা মোলদোবিয়াগী ফোরেন এফিয়র্স অমসুং য়ুরোপিয়ন ইন্টিগ্রেসন মিনিষ্টর নিকু পোপেস্কুগা লোয়ননা ইষ্টানবুলদা পাঙথোকখিবা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা টর্কিদা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং য়োনবগা মরী লৈনবা দিফেন্স বজেটকী ফাইনেল টেক্সতা থল্লম্বা অথিংবগী কন্দিসনশিং লৌথোক্লবা যুএস কংগ্রেসনা ইনৌ নৌনা য়ানখিবগী রেস্পোন্স ওইনা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

এফ-১৬ জেট ৪০ হাপচিন্দুনা এয়র ফোর্স মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দম থল্লিবা টর্কিনা জেটশিং অদুবু অয়াবা য়াওদনা শীজিন্নবদা অথিংবা থম্বা য়াওনা কন্দিসন কয়া ফোঙদোরকপদা কন্না য়ানিংদবা কয়া উৎতুনা লাকখিবনি। কন্দিসনশিং থম্বা অসিনা জেটশিং অদুবু লৈবা মতমদা কান্নবা অমত্তা ফঙহল্লরোই হায়না কাবুসোবলুনা ফোঙদোকখি।

টর্কিজ ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়খি, ফাইনেল টেক্সতা নেগেটিব ইলিমেন্ট য়াওদবা অসি পুক্লিং থৌগৎনিং ঙাইওইবা খোঙথাং অমনি। মসি মীপুম খুদিংমক্কী অপাম্বনি। অঙ্করানা মমাঙদা এফ-১৬ লৈবগী দিল অদু মপুং ফানা য়ানবগী তাঙ্কক অমদা লাক্তবা তারবদি রসিয়াদগী অতৈ এয়রক্রাফট লৈবা য়াওনা মহুৎ শীনবা য়াবা থৌরাং কয়া খন্নগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

টর্কিনা রসিয়াদগী এস-৪০০ দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেম লৈখিবদগী লৈবাক অসিদা যুএসনা খুৎলায় য়োনবগী প্রোসেস পুম্নমক লেপখিবনি।

# এমাজোন, মাইক্রোসোফ্‌ট, গুগ্গল, ওরেকলদা ক্লাউদ প্রোজেক্টকী কন্ট্রেক্ট পীখ্রে

সেন ফ্রান্সিস্কো, দিসেম্বর ৮ (এজেন্সী): ক্লাউদকী অকনবা লান লেপহল্লগদবা খোঙথাং অমদা পেন্টাগোন্না মরু ওইবা প্লেয়র পুম্নমক হায়বদি এমাজোন, মাইক্রোসোফ্‌ট, গুগ্গল অমসুং ওরেকলদা দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী ওইগদবা ক্লাউদ-কম্প্যুটিং কন্ট্রেক্ট পীখ্রে। কন্ট্রেক্ট অদুগী অপুনবা ভেল্যু কুমজা ২০২৮ ফাওবদা পুন্না দোল্লর বিলিয়ন ৯ য়ৌগনি হায়রি।

জোইন্ট ৱার ফাইটিং ক্লাউদ কেপেবিলিটিনা মিশন ওনরশিংবু ক্লাউদ সার্ভিস প্রোবাইদর্স কন্ট্রেক্ট এৱার্দিশিংদগী হকথেংননা ওথোরাইজ কর্ম্সিএল ক্লাউদ ওফরিংশিং ফঙহল্লগনি হায়রি।

এমপ্লোয়িস' ষ্টেট ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসন
রিজনেল ওফিস: এন.ই. রিজন: গুৱাহাটি
বামুনিমাইদাম, গুৱাহাটি-৭৮১০২১ (অসাম)

ক.রা.বী.নি.
ESIC

এম আই এম পি স্কিমগী মখাদা ই এস আই সিগী ইম্পেনেলমেন্টগীদমক প্রাইভেট প্রেক্টিস্নরশিং, লোকেল কেমিষ্ট অমসুং লোকেল দাইগ্নোটিষ্ট সেন্টরদগী ওনলাইনদা এপ্লিকেসন কৌজরি

মণিপুর ষ্টেটকী ১-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ২-ইম্ফাল ইষ্ট, ৩-বিষ্ণুপুর, ৪-চুড়াচান্দপুর, ৫-চান্দেল, ৬-জিরিবাম, ৭-ককচিং, ৮-কামজোং, ৯-কাংপোকপী, ১০-নোনে, ১১-ফের্জোল, ১২-সেনাপতি, ১৩-তমেংলোং, ১৪-থৌবাল, ১৫-তেংনৌপল, ১৬-উখ্রুলগী ওইনা এম আই এম পি স্কিমগী মখাদা ই এস আই সিগী ইম্পেনেলমেন্টগীদমক ই এস আই সি রিজনেল ওফিস, গুৱাহাটিনা প্রাইভেট প্রেক্টিস্নরশিং, লোকেল কেমিষ্ট অমসুং লোকেল দাইগ্নোটিষ্ট সেন্টরদগী ওনলাইনদা এপ্লিকেসন কৌজরি।

ওনলাইনদা এপ্লাই তৌবীয়ু ২৯-১১-২০২২ দগী ১২-১২-২০২২ ফাওবদা
খঙবীনিংবশিং লৈরবদি ই এস আই সি রিজনেল ওফিস, গুৱাহাটিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু
এদ্রেস: পঞ্চদ্বিপ ভাবন, ই এস আই সি রিজনেল ওফিস, বামুনিমাইদাম, গুৱাহাটি-৭৮১০২১
ইমেল: rd-assam@esic.nic.in.
*অকুপ্পা এদভর্টিজমেন্টগীদমক, ৱেবসাইট https://www.esic.nic.in / tenders দা ভিজিট তৌবীয়ু অমসুং কন্সোল নম্বর ৯৪৭৪/২০২২ গা লোয়ননা ছর্স তৌবীয়ু।

রিজনেল দিরেক্টর (আই/সি)
ইএসআইসি আর.ও., গুৱাহাটি
CBC 23123/12/0014/2223

MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR: IMPHAL
CORRIGENDUM
Dated, the 6th December, 2022

No. MU/14-PC/SERB/Phy/00389/2022(pt)./1108: The dateline for submission of Tender documents for Tender No. No. MU/14-PC/SERB/Phy/00389/2022 (pt.) for supply of laboratory equipment and consumable items for Department of Physics is extended upto 10-12-2022 at 1 p.m. The other details remain unchanged as available on the website www.manipuruniv.ac.in.

Sd/- Purchase Officer
Manipur University
HL/B/7936/9

MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR: IMPHAL
NOTICE / 411
Dated, the 7th December, 2022

No. MU/3-7/Convo/22/Aca (Conv-XV): In continuation of our notification dated 5th December, 2022 for holding 15th Convocation, Degrees for the following examinations will be distributed

| | |
|---|---|
| 1 | B.Lib/B.P.Ed/BBA/B.Sc. (Nsg)/B.Voc |
| 2 | M.Ch/D.Litt |
| 3 | Hindi Shikshan Parangat |
| 4 | M. Tech. |

Students who are desirous of receiving Degrees have to register online w.e.f. 08-12-2022 at www.manipuruniv.ac.in/convocation. The registration fee is Rs. 1600/- (Rs. 600/- as certificate and gown hiring charges - non-refundable + Rs. 1000/- as gown security deposit - refundable). The gown should be returned immediately after the Convocation and refund of the security deposit may be claimed. The rehearsal of the Convocation and issue of gowns will be notified later in the University website. Please visit the website regularly.

Last date of registration is 18-12-2022.

Sd/- Prof. W. Chandbabu Singh
Registrar
HL/B/7938/9 & 10